# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-04-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী চিং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মোলুম ভিলেজ অমসুং মসিগী অকোইবদা থিবা হুন্নবগী থবক চখবদা ৱয়ারলেস সেট অনি, বুল্লেট প্রুব জেকেট অমা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

থৌবাল জিলাগী খাঙবোক লৌকোল এরিয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক চখবদা করবাইন অমা, মেগজিন অহুম, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫০ ফাগৎখি।

অমরোমদা, কে.সি.পি (পিপলস ৱার গ্রুপ) কী মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্টকী থোংজ্ পার্ট টুদগী ফারে।

অতোপ্পা ওপরেসন অমদনা ইম্ফাল ইষ্টকী সঞ্জেনবম খুল্লেনদগী পি.এল.এগী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমলে। মহাক ইম্ফাল এরিয়াদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নরানসেনা অমসুং সুনু সিফাইদা থিবা হুন্নবগী থবক চখবদা মীওই অমা ফাগৎলে। মঙোন্দগী সপোন কেপ ১২ হাপ্তুনা পুরম্বা ব্রাউন্দ সুগর গ্রাম ৬৬১ ফারে। চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসু লৌখৎলে।

আইন কায়না লিক কোন শাবদা শিজিন্নবা নুঙ য়োল্লম্বা মীওই মঙা, থৌবাল জিলাগী লুংথর ভিলেজতগী ফারে।

নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা

পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি মথংশিংনা ২৪৪ অমসুং ৯৩ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

**রুইভা (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী সদস্য ওইরম্বা ডা: খাশিম রুইভা ঙরাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৬ শুখ্রে। মহাক চিংঙাই বিধান সভা কেন্দ্রদগী টার্ম অনিরক কারক্তুনা মন্ত্রি ওইরম্মী।

মহাক মশাগী অনাবা অমদগী ঙরাং ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা লৈখিদবনি।

**লাইসেন্স (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাদা লাইসেন্স নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা মশা মশাগী লাইসেন্সকী কোপি অমমম মরি লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা য়ৌহল্লক্কদবনি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোংমৈ লাইসেন্সকী কোপিশিং অদু থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-ককচিংনা জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ৱেলফিয়ার ওফিসকা খুৎশমরগা দ্রগ লান্না শিজিন্নবনা মাংজবগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

নাসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু জিলা অদুগী ৱাংঙু তেরা হায়স্কুল, ইমা তম্ফা লাইরেম্বী অমসুং ৱাংঙু চিঙ্গোইলৈ রিলিফ কেম্পশিংদা পাঙথোকখিবনি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী বুথ লেবেল ওফিসারশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং জিলা অদুগী দি.আর.দি.এ. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা হন্দক্কী

ইলেক্তোরেল রোলদা য়ারিবমখৈ চহি শুরবা মীওইশিং ভোটর লিষ্টতা হাপচিন্নবা বি.এল.ওশিংদা পাউতাক পীখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসকী অখণ্ড অহৈশিংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**প্লে (এল)ঃ** ভিক্তর থৌদামগী খ্বাইদগী নৌবা প্লে-'গ্লিমরিং লাইট' উৎখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোন্থা খাবম চুমব্রৈ থোংদা লৈবা অশোক্বা ষ্টুদিওদা উৎখিবা প্লে অদু শকাইরবা মনিপুরগী অইবা-সরতচান্দ থিয়ামগী 'ইতানগর' হায়বা শৈরেংদগী লৌথোক্লবা শেমগৎলপা প্লেনি হায়রি।

**ৱাকফ ঃ** লোক সভানা ঙরাং ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে।

বিল অদু পাস তৌনবা পুথোরকপদা অপুনবা মেম্বরশিংগী মনুংদা ২৮৮ না শৌগৎখি অদুগা ২৩২ না বিল অদুগী মায়োক্তা লৈখি। মদুগী মমাংদা, লোক সভানা বিল অদুগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না লোক সভাদা ঙরাং নুংথিল বিল অদু পাস তৌনবা পুখৎলকখি। বিল অদু পুথোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-বিল অদুনা মুস্লামানশিংগী ওইবা ধর্ম্মগী থবক থৌরমদা করিগুম্বা অমত্তা অশোয় অঙাম থোকহনগদবা লৈতে। ৱাকফ বোর্ডকী লন-থুমশিংগী মতাংদা নৈনবা খক্তনি। বিল অসিনা মুস্লিমান জাতিগী লন-থুমদা অকায়বা পীগদবা লৈতে।

বিল অদু পুথোরকপদা বিরোধিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা অদুবু মন্ত্রিনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি। কংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা দিল্লিদা লৈবা ৱাকফ বোর্ডকী লন-থুম কয়া দিল্লি ৱাকফ বোর্ডতা শিন্নখি। বিল অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎলদুনা কংগ্রেসকী গৌরব গোগোইনা হায়-বিল অসিগী মতাংদা মীয়ামদা লান্না লমজিংগদবা ৱাফম কয়া য়াওরি। বিল অসি সংবিধানগী মায়োক্তনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

**বিলঃ** সংসদনা ঙরাং ইমিগ্রেসন এন্দ ফোরেন্নরস বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অদু রাজ্য সভানা ঙরাং অয়াবা পীখি। লোক সভানদি বিল অদু হান্ননা পাস তৌখ্রবনি। বিল অসিনা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা অমসুং মীরম মচা লৈবাক অসিদা লৈবদা চৎকদবা নীতি নিয়মশিং পীরি। বিল অসিনা পাসপোর্ট এক্ট ১৯২০, রেজিষ্ট্রেসন ওফ ফোরেন্নরস এক্ট ১৯৪৯, ফোরেন্নরস এক্ট ১৯৪৬ অমসুং ইমিগ্রেসন কেরিয়ারস লাইবিলিটি এক্ট ২০০০ নীংথিনা মথৌ তৌহন্নবা ৱাফম পল্লি। বিল অসিনা লৈবাক অসিগী ইমিগ্রেসনগা মরী লৈনবা আইনশিং অমদি পাসপোর্ট, ভিজানচিংবা য়েংশিনবগী থবক থৌরমদা সরকারদা অহেনবা শক্তি পীগনি।

**প্লেন ঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী প্লেন অমা ঙরাং গুজরাটকী জামনাগরদা কায়খ্রে। প্লেন অদু কায়খ্রে হায়বদু অচুম্বনি হায়না ইয়ার ফোর্সনা ফোংদোকখ্রে। অদুমওইনমক, পাইলোট অমদি অশোয় অঙাম য়াওদনা হিংহৌরে। অতোপ্পা পাইলোট অমদি হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি। প্লেন অদু নুংতিগী রুতিন ওইনা পাইথোক পাইশিন তৌবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রসিদেন্ট রুলস লৈবা মতমসি সেন্টরদগী খ্বাইদগী য়ামা শেল ফংবা মতম ওইরি হায়না পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। লাঞ্জেন্নরকখিবশিংগী ওইনা সেন্টরদগী লুপা কোতি ২১৭ ফংখি। জলাইদগী তোলোপ অমসুং পেন্সন থাগী অহৌবা নুমিৎতা পীনবা হোৎনরি হায়বা সব হেদলাইন অমসু পীরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-দিলিমিটেসনদা কংগ্রেসকী ৱাফম চুমা সেন্সস তৌরগা দিলিমিটেসন তৌগদবনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরে।

ফ্রি মুভমেন্ট য়ানবা অথুবদা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরি হায়বা মনিপুরগী

চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. সিংহগী ৱাফম সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-গভনরনা কৌব্রু অমদি থাংজিং ঙাক শেনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-চেয়ারপার্সন হাপ্তুবদগী মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা কেস ৩১২ গী ৱায়েল চথদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা বিষ্ণুপুরদা থাদোকখিবা ষন কয়া হনজিল্লক্ত্রে। হনজিল্লকপা খরসু নোংমৈ মরুনা পাল্লল্লে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাফম ৱারী শান্নবদা কাল্লল্লবদি কুকি ওর্গনাইজেসন ওইরবসু বোইকোট তৌগনি হায়বা কুকি ফুরুপকী ভিলেজ ভোলুন্টিয়ার কো-ওর্দিনেটিং কমিতিগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-হান্নদগী হেজিকা শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎলে হায়বা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-রিফ্যুজিশিংনা মনিপুরদা খুন্দাখিবগী মতাংদা এন. বিরেন সিংহগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এফ.এম.আর. লৌথোকখিবা অমসুং বোর্ডর ফেন্সিং খাবগী মায়োক্তা উখ্রুলদা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতিদা আই.আর.বি. হবিলদার অমা নোংমৈ অনি পুরগা চেনখ্রে হায়বা পাউ ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরগী শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল হৌননবা শেম শারে। গভনরনা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-২০০১ গী সেন্সসতা বেজ তৌরগা দিলিমিটেসন

তৌবা য়ারোই হায়বা কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন তৌরি।